**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-07-2025)**

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি তংদু লৈতোবা ফিভম পুরকবা লেপ্পা লৈতনা চথ্নরক্লিবা ওপরেসনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলা মঙাদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্নবদা নোংমৈ ৮৬ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিস হেদক্বাটরস পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা আই.জি.পি. (ইন্টিলিজেন্স) কে. কবিবনা হায়-অককবা পাউ অমা ফংবদগী মনিপুর পুলিস, সেন্ত্রেল অমার্দ পুলিস ফোর্স অমসুং ভারত লান্মীগী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক থিবা হুম্বগী থবক চথ্নবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদু ফাগৎখিবনি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা-এস.এল.আর. রাইফল ১৬, এ.কে. সেরিজকী নোংমৈ মঙা, ইনসার্চ রাইফল অহুম, পিষ্টোল ১৯, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ১৬, বোল্ট এক্সন নোংমৈ তরুক, টু ইঞ্চ মোটার অমা, গ্রেনেদ ৯, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী নোংমৈ মরু ৫২৬, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্সকী নোংমৈ মরু ২২৬, থ্রি নোট থ্রিগী নোংমৈ মরু ১৯০, নাইন এম.এমগী মরু তরেৎ য়াওরি।

**ক্লাইমেট (এল)ঃ** মহৌশাগী অইং আশাগী খলদা খোংজেল য়াংনা অহোংবা লাক্তুনা মালেমদা অচৌবা শাফু অমা পীরক্লিবা অসিবু হন্থহন্নবা হোৎনবদা মেদিয়ানা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

মনিপুরগী ওইনসু হৌখিবা চহি খরা অসিদা নোংজ্ নুংশাগী ফিভমদা অচৌবা অহোংবা লাক্লিবা অসিগী য়েংলগা মীয়ামদা মসিগী মরম খঙহনদুনা

হোংলক্লিবা ফিভম অসি লাকশিন্ননবা হোৎনবদা মেদিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌননবা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। মসিগী মনুংদা চন্না ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা মনিপুরগী চিংগী জিলাশিংগী পাউমীগী লুপশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মেদিয়া পার্সনশিং য়াওবা কেপাসিতি বিল্ডিং অমা পাঙথোকখ্রে।

**ইভিক্সন (এলঃ)** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈরাও বিত্র সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা ইরিল তুরেল তোর্বনাদা লম খোপচিনদুনা আইন কায়না শেমগৎ শাগৎলিবশিং ঙসিদগী তকথোকপা হৌরে।

সেক্যুরিতি য়াওনা ওফিসিএলশিংনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী উরুপ অমসুং অরাপতি এরিয়াদা তুরেল তোর্বান খোপচিনদুনা শেমগৎ শাগৎলিবশিং বুল দোজর শিজিন্নদুনা তকথোকখি। মদুদা, এস.দি.ও. কৈরাও বিত্র ওইরিবা লাইশ্রম রোসন, এস.দি.সি. গীতঞ্জলি য়াওনা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

এস.দি.সি. কৈরাও বিত্র-অরাম্বম গীতঞ্জলিনা হায়-তুরেল তোর্বান খোপচিনদুনা শেমগৎ শাগৎপনা ঈশিং ঈচাওগী মতমদা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অসিগী য়েংলগা দ্রাইব অসি চথবনি। ইভিক্সন দ্রাইব অসি ইরিল তুরেল অমসুং কোংবা তুরেল তোর্বান পরিংদা খুন্দারিবা কৈরাও মাকতিং, মচাহন, বামোন কম্পু, কালিকা, কৈরাও বিত্র, তখোক মখা, কিয়ামগৈ মুস্লিমনচিংবা খুলশিংদসু চথগনি। সরকারনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা মীয়াম া মতেং পাংবীনবা মহাকা আপিল তৌরি। ঙসিগী দ্রাইব অদুদা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট, পুলিস অমসুং লৈকাই লৈকাইগী ক্লব, মৈরা পায়বীশিংসু শরুক য়াখি।

**ফল (এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (বোসেম) না লৌবা ক্লাস

টেনগী কম্পারমেন্টেল অমসুং স্পিসিএল পরিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে।

কম্পারমেন্টেলগী ওইনা পুন্না মহৈরোই লিশিং ২,৬১৪ পরিক্ষা থাবগী মনুংদা লিশিং ২,৫৭৯ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৮.৬৬ ওইখি। স্পিসিএল পরিক্ষাগী ওইনা মহৈরোই ৩৪ পরিক্ষা থাবগী মনুংদা মীওই ৩৩ পাস তৌদুনা চাদা ৯৭ গী চাং ওইখি। পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্লদুনা বোর্ডকী চেয়ারমেন-অখাম জয়কুমারনা হায়-ক্লাস টেনগী পরিক্ষা অসি মথং চহিদদি তরু-তান্ননা অমদি য়ামা চেকশিন্নবা পাঙথোকবা হোৎনরি। নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ লাকপগা লোয়ননা মথং চহিগী মেত্রিক পরিক্ষাদদি অহোংবা খরা লাকপা য়াই হায়না মহাকা মখা তাখি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মতমগা চুন্নবা মওংদা নীংথিনা শেমগৎ শাগৎনবগী মতাংদা মীফম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মেনেজমেন্ট সোসাইতিগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা দি.সি. পুজা এলাংবমনা হোস্পিতাল অসিগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট  এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না ফোংদোকখি।

**গ্বালতাবী (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী গ্বালতাবা খুলদগী লাঞ্জেন্নদুনা হৌজিক নোঙাদাদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা রিলিফ কেম্প অসিগী অৱাৎ অপা কয়া য়েংশিনবীদনবা লৈরকপা অদু লমলাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ. খোংবানতাবম ইবোমচানা য়েংশিনবীবগীদমক খুঞ্জাশিংনা এম.এল.এবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। রিলিফ কেম্প অসিদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা গ্বালতাবী ভিলেজ দিবলপমেন্ট কমিতিগী সেক্রেটরি-চিরোম মাঙ্গোলজাউনা ৱাফম অসি ঙসি ফোংদোকখিবনি।

**স্কিল(এল)ঃ** ৱার্ল্ড য়ুথ স্কিল ডে ঙসি সেনাপতি জিলাগী মাউন্ট এভরেজ কলেজকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। কুমশি চহিগী হীরমনা-আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স অমসুং দিজিটেল স্কিল কিয়ার শিজিন্নদুনা নহাশিংদা থৌনা হাপ্পা হায়বসিনি।

থৌরম অসি মেলা য়ুব ভারত, আই.ক্যু.এ.সি. অমসুং স্কিল ইনহাসমেন্ট কমিতিগা খুৎশমরগা শিনবনি। তুংদা টেকিকেল সেসনশিংসু পাঙথোকখি।

**ডে(এল)ঃ** এন্তি-রিপ্রেসন ডে ২০২৫ ঙসি পাঙথোকখ্রে। ওবজর্বেসন কম্মিতি এন্তি-রিপ্রেসন ডেনা শিন্দুনা পালন থৌরম অসি ইম্ফালগী কোনুং লম্পাক্তা লৈবা লময়ানবা শংলেনদা পাঙথোকখি। পালন থৌরম অসিদা সোসিএল এক্তিবিজ আর.কে.রনেন্দ্রজিৎ, ওবজরভেসন কম্মিতি এন্তি-রিপ্রেসন ডে ২০২৫ গী চেয়রপর্সন খাঙেম্বম অনন্দি, য়ু.সি.এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই.কে.ধিরেন শরুক য়াখি। য়ু.পি.এফকী এদভাইজর লৈশাংথেম জাদুমনিনা রিসোর্স পর্সন ওইনা থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

**রিমস (এল)ঃ** রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ প্লাষ্টিক সরজরিনা শিনদুনা ৱার্ল্ড প্লাষ্টিক সরজরি ডেগী থৌরম অমা ঙসি রিমস হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার জি. সুনিল কুমার শর্ম্মা, শিজ হোস্পিতাল, লাঙ্গোগী চেয়ারমেন-ডা: খুন্দোংবম পালিন য়াওনা অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**ডে(এল)ঃ** ৱার্ল্ড পোপুলেসন ডে, নোনে জিলাগী খৌপুমদা লৈবা প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

জিলা অদুগী চীফ মেদিকেল ওফিসারনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খৌপুম ব্লোক্কী মেদিকেল ষ্টাফশিং, আশাশিং অমদি

অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি। পালন থৌরম অসি থা অসিগী ১৮ ফাওবা চথখিগনি।

**দরখাষ্ট(এল)ঃ** চীফ মিনিস্তরস ইমা নোংথাংলৈমা য়াইফ তেংবাং স্কিমগী মখাদা খুদোংচাবা লৌনিংবা চান্দেল জিলাগী মীয়ামদগী দরখাষ্ট কৌরি।

চান্দেল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এল. নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা মীয়ামনা চহি অসিগী আগষ্ট মঙা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা চেয়ারপার্সন ওইবা মীওই মঙানা শাবা দিষ্ট্রিক্ট স্ক্রিনিং কমিতি অমসু শেমলে।

পনবা য়াবদি, চীফ মিনিস্তরস ইমা নোংথাংলৈমা য়াইফ তেংবাং স্কিম অসি খুন্নাইদা শোত্থনরি লৈরিবা নুপীশিংগী ফিভম অমদি পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা পায়খৎপা স্কিম অমনি।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দ য়ুনিভরসিতিগী দিন-ডা: চিত্তরঞ্জন দেবনা শেঙ্গা থুমজা তৌই হায়বগী মরালদা মহাক্কী মথক্তা সি.বি.আইনা কেস অমা রেজিস্তার তৌদুনা থিজিনবগী থবক চথরি।

সি.বি.আইগী পাউনা হায়-সেনিয়ার প্রোফেসার-চিত্তরঞ্জন দেবনা য়ুনিভরসিতি অদুদা দরকার লৈবা পোৎশিং অমদি সাইন্সকী মচাক মথুম সপ্লাই তৌরিবা মীওইশিংদগী শেঙ্গা থুমজা তৌরম্বনি হায়রি। ডা: চিত্তরঞ্জন দেবগী মমিংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিং জোরহাট, য়ুমানি অমসুং অগরতালাদা সি.বি.আইনা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। মদুদা টেন্দর তৌবগী শাশিন্নবা চে-চাংশিং, শেল পীথোক পীশিন তৌবগী চে-চাং কয়ামরুমসু খোমগৎপা ঙমলে। হৌজিক মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি।

**এগজ্যোমঃ** ভারতকী এষ্ট্রোনোট গ্রুপ কেপ্তেইন সুভান্সু সুক্লা অমসুং এগজ্যোম

ফোরগী অতৈ ক্রু মেম্বরশিং নুমিৎ ১৮ নি চুপা শুনদ্রংদা লৈরুরবা মতুংদা তেক্তা কায়দনা হল্লকখ্রে। মখোয়না হল্লকপদা প্রধান মন্ত্রি-নরেনদ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

মখোয়বু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-শুংদ্রংদা লৈরুবগী ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙচৎ অসিবু লৈবাক্কী মীয়াম পুমমকা থাগৎপা ফোংদোক রি। ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা চৎপা ভারতকী অহানবা এষ্ট্রোনোট অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী মংলান অদু মংফাওনহন্দুনা লম অসিদা হোৎনরিবা মীয়ামদা ইনোৎ অমা পীরে। মসি লৈবাক অসিগী য়ামা চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা খোঙথাং অমনি।

ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী গ্রুপ কেপটেন-সুভান্সু সুক্লা অমদি এগজ্যোম ফোরগী টিমনা মায় পাকা হল্লকপদা কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনসু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-জাতি অসিগী মীয়ামগী মংলানদি লৈবাক অসিবু মালেমগী সুপর পৱার অমা ওইহনবনি। মহাকা হায়-ভারত অসি হৌজিক্তি ইনফ্রাষ্ট্রকচর, হেলথ কেয়ার স্পেস, সাইন্স এন্দ টেকোলোজি, আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স অমসুং অতৈ হীরম কয়াদা নীংথিনা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইরে।

ভারতপু ইং ২০৪৭ ফাওবদা নীংথিনা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। পান্দম অসি ফংনবগীদমক নহাশিংবু নীংথিনা শিক্ষা পীবা তঙাইফদে। কটক্তা লৈবা রাবেনসো য়ুনিভরসিতিগী ১৩ শুবা চহিগী কনভোকেসন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়-মহৈরোইশিংনা লৈবাক্কীদমক দায়ত্ব খঙনা থবক তৌনবা হোৎনগদবনি। মখোয় মশেলগী মরক্তা অপুনবগী শক্তম শাগৎনবগী ৱাখল্লোন চেনগদবনি। মহৈরোইশিংনা মখোয়না তল্লিবা কোর্সশিং লোয়রগা থবক থিবগী মহুৎতা মখোয়না অতোপ্পবু থবক

পীনবা হোৎনগদবনি। মসিগীদমক মখোয় অমমমনা মপুং ফাবা ওন্টপ্রেন্যুয়র অমমম ওইবগী তঙাইফদবা লৈ।

**জ্দোঃ** চাইনিজ তাইপৈদা চত্থরিবা তাহপৈ জ্দো কেদেদ চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ তা ভারতকী মহুৎ শিনদুনা শরুক য়ারিবা মনিপুরদগী শান্নরোই অনি খুয়েনথেম মোনিকা অমসুং বিপিলিয়া য়ুমামনা লুপাগী তকমানশিং ফংলে।

মোনিকানা কিলোগ্রাম ৬৩ অদুগা বিপিলিয়ানা কিলোগ্রাম ৭০ গী কেটেগোরিদা লুপাগী তকমানশিং অদু ফংখিবনি।

**বেদমিন্টনঃ** জপান ওপন সুপর সভেন ফিফতি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ভারতকী ওলিম্পিক মেদালিষ্ট-পি.ভি. শিন্ধু, লক্সসেন অমদি নুপাগী জরা-সটৱিক সাইরাজ রনকিরেদি অমসুং চিরাখ সেথি হয়েংদগী মখোয় মখোয়গী কেম্পেইন হৌরগনি।

**ফুটবোলঃ** উজবেকিস্তানগী তাসকেনদা ঙরাং শান্নখিবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ভারতকী নুপীগী টিম অমসুং উজবেস্তিান পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিগী মিনিট ৩৮ চৎপা মতমদা উজবেকিস্তাননা ভারতকী মায়োক্তা পাঞ্জল অমা চনশিনখি। অদুবু, ভারতনা মিনিট ৭৯ শুবদা পাঞ্জল অমা চনশিনদুনা দ্রো চৎখিবনি।